# ইতিহাসকী লান্না ইশিনখ্রবা লমায়শিং - ২

মমাঙগী নোংমাইজিং নুমিৎ, জুন তারিখ ৫, ২০২২গী ৱারেংদুদা হৌখ্রবা ইতিহাসকী লামায় খরা হাংদোক্তুনা শান্নখি। অশেংবা অমসুং শেংদবা থৌদোক খরগী তোৎশিন্নবা ৱারী কাঙথোকচখি। ইতিহাস হায়বসিমক্তবু অচুম্বা খরা, অরানবা খরা তোৎশিন-য়ানশিন্নদুনা ইবনি হায়বসিমদি লৌশিং লৈবা অয়াম্বনা য়ানগনি। অদুবু, নেপোলিয়ন বোনাপার্টনদি - 'ইতিহাস হায়বসি পূন্নমক্না য়ানরবা ওইদ-পাদবা ময়াম্না লেংশিল্লবা লাইরিক্তুনি' হায়রম্মী (হিষ্টরি ইজ এ সেট ওফ লাইজ এগ্রীদ অপোন)। অদুবু লুরিবদি - লান্না ইশিনখ্রবা ইতিহাসকী লামায়শিংদু তুংগী মীরোলনা পারগা অচুম্বনি হায়না লৌনখিবা, কোকণ্ডমদ্রবা মচু শণ্ডখিবা অসিনি। অচুম্বনি হায়না খন্নখ্রবা ৱাফম অমবু, অতোপ্পা ইতিহাসকী লামায় অমদা অরানবনি হায়রুবা, অরায়বা থবক অমদি নত্তে। অদুবু, কৈদৌঙৈদা উন্নবা য়াররোইদবা পেরেল্লেল লাইন অনীগুম চৎলিবা লাইনীং লম্বী অনী - হিন্দু অমসুং মুসলমান অনীগী মূক্নবা, অমগা অমগা হুন্নবগী চাং নোংম-নোংমই হেনগৎলক-ঙসিদি, হান্নবা লাচন্দুনা লৈখ্রবা ইতিহাসকী লামায় খরা নৌনা অমুক ইথোকপগী থাক অদুদা লাক্লগদবগুম তৌরক্লে। য়েংথীনবই চাং হেনগৎলক্লে। ইরাই নুমিৎ (জুন ১০, ২০২২) মুসলমানশিংগী 'নামাজ' (লাইশোন) লোইরগা, ইন্দিয়াগী সহর কয়াদা থোকখিবা ঈরাং, মিদল ইষ্ট'তা লৈরিবা মুসলিম-কন্ত্রিশিংদা এন্টি-ইন্দিয়া মুভমেন্ট অমা শাগৎলক্লিবা ... বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন 'নুপুর শর্ম্মা' না টেলিভিজন-দিবেট অমদা 'প্রোফেৎ-মুহম্মদ' পু করেম কথাইনবা ৱা ঙাঙলুই হায়বগী ৱাহৌদুগী ওইখিবনি। তশেংবদি, বেনারসকী কাশি-বিশ্বনাথ-মন্দির-মচেৎ থুগাইরগা ১৬৬৯দা ঔরঙ্গজেবনা শাখি হায়রিবা গ্যান-বাপি-মসজিদ মনুংদা কোর্টকী য়াথংদা পাঙথোকখিবা সর্ভে (থিজিন হুমজিনবা থবক) অদুগী রিপোর্ট, মীদিয়াগী খূথাংদা মীয়ামদা সবাক ফাক্লকপদুদা বাব্রি-মসজিদ তোইখিবগুম তোইখ্রগদ্রা পাখৎতুনা শাগৎলকপা ঈরাংনি।

মণিপুরদা ফোঙবা পাউচেশিংদদি পাউ অসি মরীক চুম্না ইদুনা হেদলাইন ন্যুজ ওইরক্তবনা 'নুপুর শর্ম্মা' গী ৱাথোকসি অয়াম্বনা লূম্না লৌনদে, পার্টিদগী তাম্থোকখ্রে হায়বদুতনি খঙনরিবা। মহাক্না প্রোফেট মুহম্মদপু করেম কথায়নদুনা হায়রুই হায়রিবা ৱাহৈশিংদু করিনো? সোসল মীদিয়াদসু হঞ্জিন্না কনামত্তনা হায়রক্তে। করেম্নবা ৱাহৈশিংদুনা মুসলিমশিংগী থম্মোয় শোকহল্লে, লৈবাক ৱাথোক ওইরকপদগী 'নুপুর শর্ম্মা' নসু মহাক্না হায়খিবা ৱাহৈশিংদু হন্দোকখ্রে... অদুমক্তদা, মুসলমানশিংনা 'নুপুর শর্ম্মা' বু ফাগদবনি, মাবু চৈরাক পীগদবনি- দিমান্দ তৌরি। মুসলমান লুচিংবশিংনা মহাকপু থেংনবা মফমদা হাৎকনি কিহল্লি।

গ্যানবাপি-মসজিদ মনুংদা হিন্দুশিংনা ঈরাৎচবা শিব-লিঙ্গ ফংলবা মতুংদা, হিন্দুশিংবুসু মফমদুদা ঈরাৎ-পুজা তৌবা য়াহনগদবনি - হায়বা খোল্লাউ অমা লাক্লবা মতুংদা মুসলিম-লুচিংবশিংনা হিন্দুশিংনা ইরাৎচরিবা লাইশিংবু করেম কথাইনদুনা ঙাঙলি-শক্লিবশিংসিনা খোয়শাওনহল্লবা পূক্লিংসিনা ইনশিল্লগা মখোয়না লীজবা ৱারীদু নীংশিংলুবনি। মখোয়না শেমজবা ৱারীদুফাও অতোপ্পগী চীন্দগী তাবা ঙমদবা মুসলমানশিং, মুসলমান লাই-য়েকপা অমনা হিন্দুশিংগী লাইরেম্বীবু ফি-থোংদবী নুপীগী শক্তম ওইনা য়েকথোকখিবদা, 'কলাকার অমগী মনীং তম্বা ৱাখলবু ঙাক-শেনগদবনি' চোঙথোকখিবা হিন্দুশিং-নপুংশক ওইনা উবরা? হিন্দু ফন্দামেন্টেলিষ্টশিংনা ঙসি ফোংনা লাউরক্লে। মখোয়না হায়... 'নুপুর শর্ম্মগী ৱাহৈ খরদা এন্টি-ইন্দিয়া-স্লোগান লাউরক্লিবা লৈবাকশিং অদুদদি ইস্লাম-লাইনীং নত্তনা অতোপ্পা লাইনীং অমত্তগী মফম পীদবনি, তুশোন্ননা থম্বনি... ইন্দিয়ন মুসলিমশিংনা ফংলিবা সোসল এন্দ পোলিটিকল ফ্রীদম অতোপ্পা লৈবাক অমত্তদসু ফং'ঙল্লোই'...।

তুংদা থোক্লকপা য়াবা 'মন্দির-মসজিদ' কী ৱাথোকশিংদু থিংনবা, বেনারসকী লৱর কোর্ট'তা ৱায়েল চথুরিবা 'গ্যানবাপি মসজিদ কেস' হিন্দুশিংগী মীচংদা ৱায়েল পীখিদনবা, মুসলিম-ইচিন-ইনাওশিংগীদি 'লৈবাক ঈরাং হৌহনবা' তৌদা য়াদবা অমনি। মখোয়সু খঙই - হিন্দুশিংগী দিমান্দ'সিদা অচুম্বা খরা য়াওরি। 'গ্যানবাপি' হায়বা ৱাহৈসিমক সংস্কৃট-সব্দ অমনি। 'লৌশিংগী গুহা' হায়বনি। গুহাসিগী ঈশিং থক্লুরবা মহাক্তু অশিঙবা-মী ওইরকই - হিন্দুশিংনা থাজনৈ। মালেমগী মফম অমত্তদা সংস্কৃট-ৱাহৈ শীজিন্নদুনা মিংথোনবা মসজিদ লৈতে 'গ্যানবাপি মসজিদ' নত্তনা। মরম অসিনা, মুসলমানশিংনসু খঙনৈ-তূমদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী হিন্দুশিংনা নোংমা মীকপ থোক্লকপদা মসজিদসি মন্দির ওনখিনি। লাইরিক-লাইশুগী মঙাল ফংলবা মুসলিম-লীদর ঙাক্তনি। বাবরগী মসজিদ তাঙ্গোয় তাখ্র' মতুংদা অতোপ্পা মসজিদ কয়া'সু, মখোয়গুম্না ধর্ম্মদা হকচিনবা হিন্দুশিংগী মীৎয়েং মিতাফম, অতোপ্পা সহর/খুঙ্গং কয়াদা লৈরিবা মসজিদশিংদা ওইরকপা য়াই।

মুগল নিংথৌরেল কয়ানা হিন্দুশিংগী মন্দির মশীং খঙদনা থুগায়খি হায়বা ইতিহাসকী লামায়শিং অদুদি পারকখিবনি মখোয়সু। নীংশিং খুদম ওইবা য়াবা ইভিদেন্সশিং লোৎশিন্নবা ফনা কন্নদি হোৎনখিবনি। নিংথৌরেলশিং অদুনা মীরোল অমদই অমফাও' ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা। ঔরঙ্গজেব'না খোয়দানা কাশি-বিশ্বাথাথ (বিশ্বেশ্বর/তাইবং'মপু) মন্দিরগী শরুক খরা থুগায়রগা, মন্দিরদুমক্তদা মসজিদ শাজিনখিবই ৱারীদুমদি লোৎশিন্দুনা থল্লমদে। শিব-মহাদেবগী তোপ তোপ্পা শক্তম 'শিব-লিঙ্গ'- গুহা অমই-ঈরোন্নুংদা লূপহন্দুনা থল্লম্বা কুমজা কয়াগী মতুংদা ঙসিদি কেকু ফোঙলক্লে। কোর্টকী য়াথং মতুং-ইন' সর্ভে তৌদুনা, ঈশিং চিংথোক্তুনা য়েংবদা চেনবা য়াদ্রবা শিব-লিঙ্গগী অশেঙবা শক্তম থেংনরে। অদুমক্তদা মুসলমান-লুচিংবশিংনা হায়- 'শিব-লিঙ্গ নত্তে, ঈশিং চাইবীনি'। ঈশিং-চাইবী ওইরবদি, মাগী মথৌ তৌহল্লো- ঈশিং ঈরীক চাইথহল্লো- হায়রুবদা খুল্লকখি, 'চহী তরা কুন্নগী মমাঙদগী য়ারকখিদ্রে। অদুদি, ঈশিং-ঈরিক কাপথোরকফম মখুন/ঈফুৎ অদুদি কদায়? লিঙ্গদুগী মতোন্দা চৈ অমা থিংজিন্দুনা য়েংবদা শুপ্পগী ইঞ্চি তরুকতগী হেন্না চঙউ য়াদরে। নূঙদুগী মতোন্দা সিমেন্ট তোৎলগা তৈশিনবা শরুক অদুখক্কী মরেপ। করিগুম্বা মওং অমত্তদা ঈশিং-চাইবী অমা ওইনা মথৌ তৌনবগী মওং লৈরমদে। অদুমক্তদা হায়রি হৌজিকসু-শিব লিঙ্গ নত্তে ঈশিং চাইবী ওইরম্বনি।

ঙসিগী ৱাথোক অসিগী ৱারূ-নুপুর শর্ম্মগী কম্মেন্ট অদু নত্তে। হান্নদগী য়েৎনদুনা লাক্লবা বিশ্বনাথ মন্দিরদা শাজিনখিবা মসজিদ, হোংদোকখো হায়বা দিমান্দ অদুদৈসু নত্তে। লক্ষ্মি দেবী, রেখা পাঠক, ৱীতা সাহু, মঞ্জু ব্যাস অমদি রাখি সিংহ কৌবী নুপী মঙাখক্না 'গ্যানবাপি মসজিদ' মদুংদা লৈবা 'ইমা শ্রিঙ্গার গৌরি' গী পুজা পাঙথোক্লবই অয়াবা পীবিয়ু হায়না ৱায়েনশঙদা ৱাকৎপদগী চাউথোরকপা ৱাথোক্লি। ৱাথোকসিনা চিংথোরকপনি - চহী ৩১৫গী মমাঙদা লৈরোন চনখ্রবা মুগল নিংথৌরেল 'ঔরঙ্গজেব'পু লৈরোন্নুংদগী। মশীং খঙদ্রবা হিন্দু-মন্দিরশিং ঔরঙ্গজেবকী য়াথংদা থুগায়রগা মসজিদ শাগৎলকপদা 'কবি চন্দ্রভান কশ্মিরি'না শৈরেং অমা ইরমখিবদু নীংশিংই... 'হে নিংথৌরেল! য়েংবীয়ু - ঐগী ঈশ্বরসে কয়াদা মপুকচেল চাউখ্রবা! মশাগী ময়ূম শঙলেনগী অতেক-অকায় মরকসিদা অদোমগী মবুংঙো অল্লাহগী মিংখৈ শোনফম শেমহনবীরি'...।

শৈরেংদু পাবদা মপুক ওল্লবা ঔরঙ্গজেব'না য়াথং তৌখি ... 'মখা তানা হান্না লৈরম্বা মন্দির অমত্তা থুগায়বা য়াররোই... অদুবু, অনৌবা মন্দিরদি শাহনবা য়ারোই'...। চন্দ্রভান কবি অমদি ঔরঙ্গজেবকী ৱারীসি ঐখোয়না তল্লকপা ইতিহাসকী ৱারীদুদদি য়াওরক্তে।

*—ইন্দ্রকুমার*

# ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে অমসুং মণিপুরগী অইবশিং





মালেম নোংখোঙ কায়রক্তুনা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা অঙৈং অশাগী খল য়াম্না শাথীনা কায়থরক্লি। মসিগী চৈফু চৈথেং মালেম তাইবঙপানসিদা হিংলিবা থৱায় পানবা পূন্নমক্না লাস্থেংনরি। ইন্দষ্ট্রিএল রেভল্যুসন লাকখ্রবা মতুংদা চাওখৎ লম্বেলদা মীওইবনা খোঙজেল য়াংনা চেনশিনবা হৌখিবদগী হৌনা মহৌশা অমদি মালেম অসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা জীব কয়া, উমং কয়া, চীং-পাৎ-তুরেল কয়াদি মমি শামজিল্লক্লি। মালেমগী লৈবাক কয়াদা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা মীগী মশীং মসিনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পূন্নমক মহৌশাগী লৈরিবা পোৎলমশিংদা শৈদাংবা ঙাক্তনি। অদুনা চাওখৎপগী মিংদা লেপ্পা লৈতনা মীওইবনা শীজিন্ননবা উমং-ৱামং কয়া কোকথোক্লি। চীং-পাৎ-তুরেল কয়া তেমখায়রি। তুরেল কয়াদি ঈচেল কংশিল্লকপনা অয়াম্বা ওইরক্লি। ৱেটলেন্দ কয়াসু মমিংতা ঙাইশিল্লক্লি। অমরোমদা অমুক সমুদ্র ঈপাক অমদি উনগী চীংজাও কয়া শৌদোক্লক্তুনা সমুদ্র ঈমায় ৱাংখৎলক্লি। চহী খরসিদা নুংশা শাবগী চাং অসি অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা হেনগৎলক্তুনা হিট ষ্ট্রোক তৌদুনা মীওই কয়া অৱাফমদা তাবসু য়াওদবা নত্তে। লৈনুংদা তুংশিন্দুনা লৈবা ঈশিংফাও কংশিল্লক্তুনা গুহাগী ঈশিং শীজিন্নরম্বা লম কয়াগী মীওইশিংদা চাউনা অৱাবা মায়োক্নহল্লি। লৌউ-শিংউ তৌবদা অসুক্কী মতিক খুদোংচাদবা হায়বদু ওইশিল্লক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল অতিয়া পক্না ৱাংখৎলক্লি। তমথীবা লায়না লাইচৎ কয়া মীওইবনা চাওখৎপা হেল্লকপগী মতিক হেন্না হেন্না থোক্লকপগুম্না তৌরি। অসিগুম্বা কয়া অসি নৈনরগদি মীওইবনা লীক্লম কায়না চৎলুবনা ওইহল্লকপা খুদোংচাদবশিংনি হায়বসি অখঙ-অহৈশিংনা ঙাঙনরক্লি। কায়থরক্লিবা খোঙচৎ অসি ঙাক শেন্দুনা কনগে হায়রবদি হান্নগী মহৌশাগী খল অদু ঙাক্না থম্বা অমদি য়াম্না তঙাইফদে।

খুন্নাই অমগী পুৱারী ইরিবসি অইবশিংনি হায়বসি য়েৎননীংঙাই লৈত্রবা ৱাফমনি। অইবশিংনা লাচল্লিবা পূন্নমক তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংগীদমকনি অদুগা মালেম অসিদা লৈরিবা পূন্নমক্কী য়াইফনবনি। তৌইগুম্বসুং মালেম নোংখোঙ কায়রক্লবা মহৌশা খূৎশেম ফজরবা পূন্নমক অসি উনা উনা, য়েংনা য়েংনা মিৎমাংদা মমি শামজিল্লকপগী শক্তম, হৈপাল লৈপাল, উমং ৱামংনা লেপ্পা কংশিল্লকপা শক্তমশিং, লমলক্কী শা-উচেক কয়ানা কাঙ্খুল মূৎশিল্লকপা পাউদম, তাঙল-তাঙলবা জীব পানবা কয়ানা ম্যুজিয়মদা ওইনা উবা নত্তনা উবা ফংজিল্লক্তবা ফীভম অসিদা অইবশিং, সাইন্টিষ্টশিং, ইনভাইরনমেন্টেলিষ্টশিং, নেচর লভরশিং তুমিন্না লৈথোকপা ঙমদে। মহৌশা মালেম অসি য়াওদনা মীওইবনা করম্বা গ্রহদা হিংবা ঙমগনি। মহৌশা ইমা মহাক্কী ঈশিং নুংশিৎতা হিংলি মীওইবনা। মাগী লৈবাক লৈহাওদা হৌবা মনা মশিং চাদুনা হিংলি। ইমা মহাক্কী লৈনুংগী খোনিনা শাবা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা মীওইবনা নাপল তৌনা মপু শাদুনা মালেমসিদা পাল্লি। অদুবু ঙসিদি মালেমসে মওং অমদা লাক্লি। মহৌশা খোঙচৎ শাথীনা কায়থরক্লে। কুন্বী কালেন মতম নাইদ্রে। নাকেন্থা য়েন্নিংথা নোংদম নাইদ্রে। নোংজুথা নত্তবদা নোং কা হেন্না চুবনা খূৎশেমগী ঈচাও ইতৎ-তত্তনা মায়োক্নরি। ইকং তোয়না থোকপনা হিংবদা অৱাবা অমসু ওইরক্লি। পূন্নমক অসিদা অইবশিংনা খূৎতা কলম পায়দুনা খুন্নাইবু, মীওইবগী শক্তম্বু অমদি মহৌশা খূৎশেম ফজববু শৈথাদুনা লৈবা মতম নৎত্রে হায়বসি সাথৌলূপকী লূপলোইশিংনা চহী খরসিদা পূক্লিংদা ফাওদুনা লাকপা মরু ওইবা ৱাফম অমনি। লূপকী মীফমশিংদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেদা মণিপুরগী অইবশিংসু উপাল-ৱাপাল থাদুনা মালেম অসি ইশঙ-শংবা মালেম অমা ওইহনবদা অইবশিংগী কাঙলূপশিংসু শরুক য়ানবা থৌরাংশিং পাঙথোকখি, হৌদোকখি কুমজা ২০১৮দগী। অদুবু থবক ওইনদি পাক চাওনা পাঙথোক্লুবা খুদোংচাবা ফংখিদে। মসিগী মরক অসিদা কোভিদ পেন্দমিক অমুক লাকশিন্দুনা চহী অনীদি করিসু পাঙথোকপা ঙমখিদে। অদুবু কুমজা ২০২২গীসিদদি শোয়দনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেদা মণিপুরগী অইবশিংসু অঙৈং অশাগী খল কায়দনবা হোৎনবদা পাক শন্না উপাল থাবদা শরুক য়ানবা শেম শাখি। মসি হায় হায়দুনা অইবশিংনা উপাল হান্না থাখিদবদি নত্তে। ইশা ইশাগী য়ুম পাক শন্না মুভমেন্ট অমা ওইনা ঈহৌ অমা শাগৎনবা হোৎনবদা অইবশিংসু থৌনা ফনা চঙশিনবগী তঙাইফদবা লাক্লে হায়বা ৱাফমদুনি। মীপূম খুদিং মহৌশা মহাক্কী শক্তম কনবদা শরুক য়ারক্লবা অহানবা খোঙথাংনি অইবশিংনা মপূং ওইনা শরুক য়ারিবসিসু।

হন্দক জুন ৫, ২০২২দা সাথৌলূপকা খূৎশম্নদুনা খা মণিপুর কোলেজ, ককচীং; সাহিত্য সেভা সমিতি, ককচীং; মচা চনু ককচীং অমসুং লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর, ককচীং পূন্না ককচীংদা খা মণিপুর কোলেজগী বোটানিকেল গার্দেন, লাইফম পানা লিক্লাই লোয়শঙ লৈরিবা নুঙ্গাই শুরুং মনাক ঊয়োক চীংশাং পরেংদা অমসুং অঙান চীং ইকো পার্কতা লমদম অসিদা ফংবা ইন্দিজিনস উপালশিং মরু ওইনা লৈহাও, চাওহুই, নাগেশ্বর, চীংথ্রাও, বোকুল পাম্বী, হৈনৌ, হৈনীং মখল শুনা পাক শন্না থাখি। ইম্ফালদগী অইবা অইবীশিং, ফোটোগ্রাফর য়াওনা নহা অহল পূন্না মীওই কয়া ককচীং তান্না অয়ূক অঙনবদা খোঙশানখি। ককচীং মায়কৈগী ওজা ক্ষেত্রি বিরা, য়াম্বেম সাত্য, ওজা প্রমোদিনি, ওজা ক্ষেত্রি জয়কুমার, খা মণিপুর কোলেজগী মহৈরোয়শিং, ওজাশিং কয়ানা ঐখোয় পূন্নমকপু তরাম্না ওক্লমখি। থৌরম অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা অমসুং নুংশিরিবদি মণিপুরগী ঙমখৈ ৱাংমদা লৈরিবা ম্যান্মারদগী ঈগী মরী ইচিন ইনাওশিংসু য়াওবসিনি। ম্যান্মারগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাক্লিবা ফুৱাইলাৎপম চন্দ্রকুমার সোইবম সাইমোন, ককচীংতাবম তুলসি, ফুৱাইলাৎপম প্রেমিকা, ফুৱাইলাৎপম স্রী দেবী অমদি ফুৱাৎলাৎপম স্বাষ্টিক কুমার শর্ম্মা মখোয়গা শকখঙ মায়খঙনবা ফংবা অমদি অৱা-নুংঙাই পাউদম্বগী তাঞ্জা অমা ফংবদুমক কাউঙমদবা হায়বদু ওইখি। নুমিৎ অসিগী মপূং ওইবা থৌরম অমা ওইনা অহানবা ওইনা নিংঙোম্বম ফৈরাবা এৱার্দ, ২০২২সু লাম্থোকপগী থৌরমদা ম্যান্মারদগী লাক্লিবা ফুৱাইলাৎপম চন্দ্রকুমারনা অথোইবা লেঙলকপা ওইনা লেঙশিনখি অমসুং এল্লাইএন্স ফোর দিভেলপমেন্ট অলটর্নেটিভস - মণিপুর (এ দি এ এম) গী সেক্রেটরি থৌ পুদুনা অশঙবা মণিপুর পুরক্লবা চোকথবা লৈতনা উপাল কয়া থারিবা, উপালশিংবু ঈশিং চাইরিবা ককচীং মায়কৈদা মরূ কোক্লুরবা অঙান চীংবু অশঙবা ফিজোল থোলহনবদা চাওরবা থৌদাং লৌরিবা সুরজিৎ ক্ষেত্রিময়ূমদা ইনভাইরনমেন্ট এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখি। নিংঙোম্বম ফৈরাবা ১৯২০দা হাওরৈবী ময়ায় লৈকায়দা পোকখিবা উমং অমদি উপালবু য়াম্না নুংশিজবা অমদি উপাল কয়াসু থারম্বা মীওইনি। মহাক্কী মিংদা অসুম্না ইমুং মনুংনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা মনা অমা কৎলকপসি ফিদমনীংঙাইনি। লেমজনীংঙাই ওইরবা নিংঙোম্বম ফৈরাবা এৱার্দ ইচম চম্বা মনা অমদি নত্তে। মসিনা শৈহৌ ওইদুনা মণিপুরগী মফম কয়াদসু পাক শন্নবা উপাল কয়া লেপ্তুনা থারক্লবগী ঈনোৎ অমদি হাপ্লি হায়নীংই। মহৌশা লাইরেম্বী ইমাবু নীংশিংদুনা উপাল থাবগী পাঙথোক্লিবা থৌরম, উপাল ৱাপালবু চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা সুরজিৎতা মনা লাম্থোকপগী থৌরম হৌদোকপদা ফুৱাইলাৎপম চন্দ্রকুমার অমসুং মচা ইবুংঙো শ্বাসটিক কুমারগা পূন্না মোইবুং খোংদুনা শৈহৌ থৌরম অমা পাঙথোকপদুনা অমুক্কা হেন্না মহৌশাগী মশাইকোলদা চিংশিনহনখি মীপূম খুদিংবু। অঙান চীং ইকো পার্ককী ঙসি উরিবা ইশঙ শংবা শক্তম অসি নত্তবা মরূ কোক্লুরবা শক্তমসু নুমিৎতুদা উরকখি। মীওইবনা নুংশিনা মহৌশাবু ঙাক শেল্লবদি কায়থরক্লিবা খোঙচৎ অসি মহৌশাগুম্না থম্বা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু মীপূম খুদিংদা ফাওখি। সাথৌলূপকী এদভাইজরসু ওইরিবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি সরতচান্দ থিয়াম্নসু করিগীদমক অসিগুম্বা থৌরম অসিদা অইবশিংনা থৱায় য়াওশিনবা মরু ওইরক্লিবনো হায়বদুসু ফোঙদোকখি। থৌরমগী মখা চথুরকপদা সিম্পোজিয়ম অমসু পাঙথোকখি 'মেন এন্দ নেচর' হায়বসিদা। খা মণিপুর কোলেজ, ককচীংগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর য়ূম্নাম সুনিতিবালানা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা সোসল অমসুং কলচরেল এক্টিভিষ্ট থোকচোম থোইবনা "মহৌশাগা মীওইবগা লৈনবা মচৎ" হায়বসিদা চে পাখি। "অরিবা মণিপুরী সাহিত্যদা মহৌশা" হায়বসিদনা ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনি, সিনিয়র লেকচরর, ককচীং হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা পাখিবা অদুগা "হৌজিক ওইরক্লিবা মালেমগী অঙৈং-অশাগী ফীভম" হায়বসিদা ডা. এম ওজিৎকুমার, এসোসিএট প্রোফেসর, রামজাস কোলেজ য়ুনিভর্সিটি ওফ দেল্লীনা চে পাখি। ইনভাইরনমেন্ট দেদা চীংগোল অমদা অদুসু ঈশঙ শংগৎলিবা ইকো পার্ক অমদা অদুম্না খন্ন-নৈনবা অদুমক য়াম্না চাশিন চুশিন্নৈ হায়না খল্লি। মণিপুরী সাহিত্যদা, অরিবা লোনগৈ পুক্কেদা, ঐখোয়গী চৎনবী থাজনবীদা মহৌশা মালেম অসি কয়া য়াম্না মরু ওইনা লৌরম্বগে হায়বদু উমং লাই হরাওবনা লেঙদ্রবা খুদম ওইরি।

ম্যান্মারদগী লাক্লিবা মখোয়না উপাল থারম্মী হায়বা লেঙদ্রবা খুদম ওইনবা সনা খোংনাং অমা অদামগী থৌমীশিং, অইবশিং অমসুং সাথৌলূপকী মীহুৎশিং য়াওরগা পূন্না অঙান চীংগী মশাইকোলদা থারমখি। উপাল অসিনা মরম ওইদুনা ইমোসনেল ইর্ন্টিগ্রেসন অমদি পুরক্লগনি। মপাউ অমসু তল্লগনি লমদম তাম্না লৈখ্রবা ঈগী মরী ইপা ইচা, ইচিল ইনাওশিংদা। উপাল থাবগী মখা তারকপা থৌরম ওইনা সাথৌলূপকী উয়োককোল অমসু হাংদোকখি। মসিদা লূপকী এদভাইজর সরতচান্দ থিয়াম, লূপকী প্রসিদেন্ট অমসুং সেক্রেটরি অদুগা লূপকী থৌমী রামানন্দ নোংমৈকাপম, হরিদাস খোংবান্তাবম্নচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। অসিগুম্বা সাথৌলূপ মশাইকোলসিদা থারম্লিবা উপালশিংবু চেকশিন্না ঙাক শেন্নবসু অদাম্না থৌদাং লৌগদৌরি। কয়াদা চাওখ্রবা থৌদাংনো। নুমিৎ অসিগী লোইশিনবা থৌরমদনা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু পাঙথোক্তুনা হেন্না মপূং ফাবা হায়বদু ওইখি। শৈদিনপুরেন ওইনা অইবী চোংথাম ওংবী সুবদনি, নীলকুমারী মোইরাংথেম অমদি ময়াংলম্বম কুঞ্জকেশোনা লেঙশিন্দুনা অশৈবা অশৈবী কয়ানা মহৌশা মালেমগা মরী লৈনবা শৈরেং লাম্থোকখি। চুম্না শৈরেং অমা ইদুনা পাথোকপা নত্তে। পাউজেল অমা পীরি। পাউমেল্লি তুংগী মীরোলদা। হায়নীংলি করিগুম্বা খরা মহৌশা মালেমসে য়াওদ্রবদি মীওইবদি অরেম্বনি।

*– তোংব্রম অমরজিৎ*

## ৱারী ককনাউ

# ৱারী কাইরে

কাউবগী নুপীনা থনম্বা চা অঙাংবদু নুংঙাইনা হাওনা মখোল হৌনা অমুক্তং শ্রিৎ... লাওনা চিংলগা, ৱাখল নুংঙাইখৎলক্লিবা তোম্বনা ইমুংলোমদা হায়রপ য়েংলগা নাসোন পীক্তক্না হায়রকই,

"মশক্তু অমুক্তা য়েংগেনে?"

"হৈস, সিদদি য়ারোই, ফরক তানি"

"ফৎ লাওনা অমুক্তা য়েংগেদা, কৈসু তৌরোই"

"য়ারোই উনেমি?"

"কৈনো নঙগী কাসিবু কেমেরা পানবরো?"

"কেমেরা হায়বু থৌখ্রবা মমিৎনি উদবা লৈপোত্তে, হুত্তনা হেক্তা উরম্বজাৎনি, ৱা কাইনি হায়বা, কোন্না য়েংঙু"

"অসুমাইনা য়াম্না হেক লুনা তৌশিল্লক্লদি, প্রোক-প্রোক হেক চাকই য়েংনীংবনা"

"কোন্না য়েংউ হায়বনিদা"

"মশক্তি ফজবরা?"

"উস! মশক্তি হায়বীরনু হায়সিনি, শাথীনা ফজখ্রজাৎনি। কোরিয়া কচ্চা হায়রিসিনি"

"তৌনুদা ইতাও ঐসি এক্সপার্টনি। কনাগী ফেক-ফাক, ঐ লোইনা ফাবা ঙম্বজাৎনিদা। নহানমুকসু মুহিন্দ্রোনা ঙাওজৈ হায়দনা ফেসবুকতা হাপ্পকপা ফোটোদু, ঐনা মুন্না য়েংলুবদা কোরিয়া ফিল্মগী হিরোইন অমা ওইনা হাপচিল্লগা নুপা অমনা কারন তাবীরমদনা চোপ্পখ্রবনি। অদু ঐনা ফাবিরিনি। নঙগীদুসু ঐ য়াম চিংনরক্লেবো"

"কাইদৈনোহে সিদি ওরিনি, কোরিয়াগী শক্তা হায়ফেৎ চঙই হায়বৈ ৱানি। মশা লাইরিক্কা য়াম হৈখ্রজাৎনি। এম এ লোইরগা পি ঐচ দি তৌরিবনি খঙব্রা? সি লৌরদি ঐদি লোইরে লোইরে... ফম্মগা পুন্সি চূপ্পা চা য়ারনি"

"সি য়ৌরদি য়াম্না য়েংনীংলক্লেবো। ইতাও নঙগীসি ঐ য়াম চিংনরে শোয়দনা ফেক একাউন্ট ওইনি"

"নত্তেমী অশেংবনেমী। ৱারী ফজনা শানরবনি"

"করি লোন্দা শানরিবা?"

"কৈনো মৈতৈলোলদনি"

"ঐনা হায়দি, চুম্নগী মেসেজ ওইনা থানরিরা নৎত্রগা ভোইস মেসেজ লা হায়বনিদা?"

"অনীমকনি মখোঞ্জেলগদি ৱাও হায়সিনি, নুংশিখ্রজাৎনি"

"মশক্তি উরব্রা?"

"ফোটোদা উরে হায়মক্তদা, নোই শ্বাইদগা লৈবী নত্তে দেল্লীদনি কো। দেল্লীদা পি ঐচ দি তৌরিনি। অদুগা য়ু পি এস সীগী প্রিলিমসু ক্লিয়র তৌরবীনি। ঐদি 'ৱাও' হায়সিনি। মশক্কা নানখ্রজাৎনি"

"মাই খোঞ্জেলদু কমাই তৌই হায়বা?"

"রেদিও দ্রামা তারবা নৎত্রা?"

"রেদিও দ্রামাদা খ্বাইদগী খোঞ্জেল ফজবা হিরোইনগী মখোলগা মানজাৎনি, মখোলগদু চাওরপ তৌরদনা"

"ইতাও, ঙসিসি ঐ সুম চিংনবা হেল্লক্লেবো? করি করিদি হায়নৈ"

"করি হায়রুনেগে, নুংশিবগী ৱারী ঙাক্তনি কৈনো। ৱারীদি লোইরে হায়সিনি আ! য়ৌরে। ঐখোয় নুপীগা অমুক্তা অদুমাইনফাও নোংমতা ৱারী শানদ্রি"

"ইতাও?" তোম্বনা কাউবদা মুন্না য়েংলগা কৌরকই।

"কৈনো? কৈদৌরগে?" কাউবনা নোকফেৎ নোকফেৎকা তৌরদনা হরাওনা খুমজৈ।

"ইতাও নঙ শেলগদি পীখ্রবরা?"

"জি পেদা খরদি থাখ্রে?"

"কয়া?"

"য়ামদেদা, লাখ অমরোমদি শুরম্মনি"

"মখাদি হায়রক্তব্রা?"

"হৌজিকমক্তি হায়রক্ত্রি"

"হায়রক্লদি পীগদ্রা?"

"পীদৌ মাল্লিবো?"

"শোয়দ্রে ইতাও নঙ শোয়দনা তুরনি"

"তুরবনি কৈনো, ঐসে মঙোন্দা খুদি থিরবনি"

"মমিংদি করি কৌই হায়?"

"মমিংদুনা হেন্না চাকখ্রে"

"করি কৌগেবা?"

"হায়বা পাম্মুইদা"

"হায়য়ুনে"

"পিয়াইনু"

"শোয়দ্রে ইতাও নঙ তুরনি। মদু নুপী নত্তে হোমোনি"

"কায়দৈ ৱানোদা"

"অশেংবনিনে"

"ওরিনি হায়দুনা তুরিনি নঙগীদো। ওরি নত্তেয়ে, সোরিনি"

"তানিংদেদা। নঙগীদুদি বিৎ হাৎপগী ৱানিদা"

"বিৎ হাৎপা নত্তে, লাইরিক হৈবী, চীং লেম্বী অমত্তনা ঐ লাইরিক য়াম হৈ হায়রোই, শেল পীয়ু হায়রোই, য়ু পি এস সী প্রিলিম ক্লিয়র তৌরে হায়রোই"

"হায় কৈনো"

"হায়রিদো ওরি নত্তবগীনি। হোমোনি কোরিয়াগী ফোটো অমা হাপচিল্লগা য়াম তৌরবনি। শেল য়াম য়াম লৌথোক্লরবনি। য়ু পি এস সীগুম্বা কম্পিটিটিভ এগজাম থাগদবা, থারিবা অমনা অদুম্না কৈদৌনুংদা তৌরোই কো। নঙ য়াম থুনা হন্দোকউ নৎত্রদি নঙ ফরক তারনি হায়বিরিসিনি"

কাউবদু খরা খঞ্জানৈ, ফোনদু পুথোরক্লগা খুবীদুনা ইন ইনদুনা ফেসবুক একাউন্ট অমা হাংদোরকই। অদুগা ফোটোদু উহল্লি।

"তু সিনিসে"

"সিমকনি মুহিন্দ্রোদা তৌখিবদু"

তাঞ্জাসিদা কাউবগী নুপীনা ফোনদু শৎ মুল্লগা য়েংই।

"ঐনা চিংনরিসি কুইরবনি। মসি নুপাসি কৈনোমা তৌরে হায়বসি ঐ খঙলবনি হায়রগা ফোনদু লৈমায়দা পোপ লাউনা লংথোক্লগা থুগাইখি। ৱারীসু অদুম কাইরে। *-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা*